# পি এম মোদিনা অৱাং নোংপোক লমদমদা চাউখৎ থৌরাং পায়খৎনবা চপ চানা লেপ্লি হায়বগী থাজবা থমখ্রে



ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারি ০৪ ঃ

থা অসিগী ৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা দেল্লি এসেম্ব্লি মীখলগা মরী লৈননা ঙসি মফম অসিদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সন রেল্লিশিংদা তিনখিবা মীয়ামদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ভোটরশিংদা দেল্লিদা মরা চেৎপা বি জে পিগী লৈঙাক অমা লৈহনগনি হায়বগী ৱাফম থমখ্রে।

মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকপা মহাক্কী রেল্লিশিংদা তিনখিবা মীয়াম অদুবু উরগা 'নুংশিৎকী শাফু অসি মায়কৈ চুম্না শিৎলক্লি' হায়বগী ইঙ্গিৎ পিখিবগা লোয়ননা কেম্পেইন চথবগী থবক লোয়শিনখ্রে।

অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈরিবা মীচম মীয়ামদা অমুক হন্না থাজবা থন্নদুনা মোদিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদি, অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈরিবা মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাংগী মাইকৈদা খোঙ থাংজিনগনি হায়বগী ৱাশক থন্লি হায়খি।

বি জে পিগী 'ভিজন দোক্যুমেন্ট' ঙসি রিলিজ তৌখিবগা লোয়ননা অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈরিবা মীয়াম্বু ইমিগ্রেন্টশিংনি হায়বগী ৱাফম অদু রিফর তৌখি। মহাক্না ফেব্রুৱারি ৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল মাংওইননা য়াম্না কুপ্না সর্ভে অমা চথখ্রে। আম আদমি পার্টিনা খুদোংচাবা লৌননবা হোৎনরকপনা ফিভম অমা লৈরকপা অদুসু মহাক্না মাংজৌননা ফোঙদোকখি।

বি জে পিগী ভিজন দোক্যুমেন্ট অসি ঙসি রিলিজ তৌখিবা অদুদা অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈরিবা মীয়াম্বু ইমিগ্রেন্টশিংনি হায়না ফোঙদোকখিবা অদু প্রিন্টিং মিষ্টেকনি হায়বগী ৱাফম মাংজৌননা থন্বসু লৈখ্রবনি।

সাউথ দেল্লিগী অম্বেদকর নগরদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সনগী মিটিং অমদা ৱা ঙাংলদুনা মোদিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদি, মপাঙ্গল য়াম্না কনবা লৈবাক অমা ওইহনবা হায়বসিদা বি জে পিগী অকনবা লৈঙাক অমা লৈহনবা তঙাইফদবা লৈ হায়খিবগা লোয়ননা ভোটরশিংদা দেল্লিদা মরা চেৎতবা গভর্ণমেন্ট অমা লৈহন্নবা ভোট পিরোইদবনি হায়খি।

মফম অসিদা তিল্লিবা মীয়াম অসিবু য়েংলগা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিগা মরী লৈননা নুংশিৎ অসি মাইওন চুম্না শিৎলক্লে হায়বগী ৱাফম মোদিনা অমুক্কসু হন্না ফোঙদোকখি।

মহাক্কী ওইনা থল্লিবা পান্দমদি লৈবাক অসিদা চাওখৎপা হায়বদু লৈহনবনি অমসুং দেল্লিদা লৈরিবা লাইরবা মীয়ামগী পুন্সিরোলদা অহোংবা অমা পুরকপা অদুসুনি হায়খি।

মালেম পুম্বদা লৈরিবা মীয়াম্না ইন্দিয়া অসি য়াম্না মরু ওইবা ফোর্স অমনি হায়বসি হৌজিক খন্থবা হৌরক্লে অমসুং সেন্তরদা বি জে পিনা মেজরিটি ওইহনখিবা অসি মীয়াম্না পীবা ভোট অদুননি হায়বগী ৱাফমসু মোদিনা থমখি।

মহাক্না মখা তানা মীয়ামদা বি জে পিদা ভোট পীদুনা দেল্লিদা মপুং ফাবা মেজরিটি লৈহন্নবা তকশিনখি। দেল্লিদা মরা চেৎতবা গভর্ণমেন্ট অমা লৈহন্নবা হোৎনদনবসু মহাক্না ভোটরশিংদা তকশিনখি।

দেল্লি অসি লৈবাক অসিগী কেপিটেলনি। কেপিটেল অসিগী মরাইবক অসি মরা চেৎতবা ফিভম অমদা লৈহল্লোইদবনি। চাওখৎ থৌরাংগীদমক্তা ভোট পিবিয়ু। বি জে পিদা ভোট পীদুনা মপুং ফাবা মেজরিটি ফংহনবীয়ু হায়না ঙসি পাঙথোকখিবা রেল্লিশিংদা তিনখিবা মীয়ামদা মোদিনা হায়খি।

ওপোজিশন পার্টিশিংদা অকনবা ৱাফম থন্নদুনা, মহাক্কী মায়োক্তা লেপ্লিবা মীওইশিং অসিবু মহাক খুদোংথিবা নংহল্লে মরমদি মখোয়না য়াম্না লাইরবা মীওই অমা ওইনা হৌরকখিবা মোদিনা মতৌ করম্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকখিবনো হায়বসি দাইজেষ্ট তৌবা ঙমদ্রে হায়খি। হৌখিবা ইলেক্সন্দা পাঙথোকখিবা সর্ভেনো ফোঙদোকখিবদি, বনারসিদা ভোট লাক্ষ ৩ দা মায়থিগনি হায়বগী ৱাফম থমখিবা লৈরগসু মায় পাকপা ঙমখ্রে হায়বগী ৱাফ অমসু মোদিনা থমখি।

# হোম মিনিষ্ট্রিগী মকোক থোংবা ব্যুরোক্রেট অনিল গোশ্বামি মফম লৌথোক্লবা য়াই



ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারি ০৪ ঃ

সরাধা চিট ফন্দ স্কামগা মরী লৈননা ফাখিবা পোলিটিসিয়ন অমগীদমক্তা সি বি আইদা টেলিফোন তৌরুবগীদমক এক্সন মায়োক্লুরবা য়াই হায়বা রিপোর্ট লৈরকখিবা মরক্তা ইন্দিয়াগী হোম সেক্রেটরি অনিল গোশ্বামিনা ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ওফিসতা চৎতুনা মোদিগা উন্নখ্রে।

পাউগী লিখুনশিংনা হায়, অনিল গোশ্বামিনা হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহদা ফোঙদোকখিবা ৱারোল অমদা মহাক্না সি বি আইবু কৌখি। হিরম অসিগী মতাংদা মহাক্না কোঙ্গ্রেসকী লুচিংবা অমসুং হান্না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইরম্বা মতঙ সিনহ ফাখিবা অদু ফাদনবা খঙহনখি হায়বগী মতাংদা শন্দোরক্লিবা রিপোর্টশিং অদু ময়েক শেংনা খঙহন্নবা মঙোন্দা ৱাফম কয়া থমখি।

পাউগী লিখুনশিংনা মখা তানা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না, খ্বাইদগী মকোক থোংবা ওফিসল অসিনা মতঙ সিনহগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎতনবা সি বি আইদা শাফু অমা পিননবা হোৎনখি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা হোম মিনিষ্টরনা ব্রিফিং তৌখিবা অমদা অনিল গোশ্বামিগী মথক্তা এক্সন লৌখৎননবগী ৱাফম অমা লৌখৎনবগী ফিরেপ লৈ হায়না খঙহনখি।

দেল্লিদা লাক্কদৌরিবা থাংজ নুমিত্তা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেম্ব্লি মীখলগী মতুংদা ৱারেপ অমদি শোইদনা লৌরকপা য়াই। গভর্ণমেন্টগী মাইকৈদগীদি কেপিটেলদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিগী ময়াই চনশিল্লকপা তাঞ্জা অসিদা করিগুমবা মখল অমত্তগী খোঙথাং অমত্তা লৌখৎপা পাম্বা লৈত্রি।

হোম সেক্রেটরিগী মাইকৈদগী ভোট থাদনরিঙৈ মনুংদা লৌখৎকদবা সিক্যুরিটিগী ফিভম য়েংশিন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। পনবা য়াবদি, মতঙ সিনহ হায়রিবা হান্না জুনিয়র হোম মিনিষ্টর ওইরম্বা মীওই অসি হৌখিবা চয়োলগী মনুংদা সরাধা স্কামগা মরী লৈননা ফাখিবনি।

সি বি আইগী মাইকৈদগী মরাল শিরিবদি, সিনহ অমসুং সরাধা অনীগী মরক্তা লুপা ক্রোর ৩০ রোমগী মফম মরাং খঙদবা ত্রাঞ্জেক্সন অমা চথখি হায়বসিনি।

হৌখিবা চয়োলগী মনুংদা, গভর্ণমেন্টনা সুজতা সিংহবু ফোরেন সেক্রেটরি ওইবদগী মফম লৌথোকখি অমসুং মহাক্কী মহুত্তা এস জায়সঙ্কর হাপচিনখি। জায়সঙ্কর অসি হান্না য়ু এস এনভোয় ওইরম্মী। চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা, খ্বাইদগী মকোক থোংবা মিশাইল সাইন্টিষ্ট অভিনাস চন্দরবুসু ইন্দিয়াগী দিফেন্স রিছার্স ওর্গেনাইজেশনগী চীফ ওইবদগী মফম লৌথোকখি হায়নসু পাও অসিনা মখা তাখি।

সরাধা চিট ফন্দ স্কাম অসি বেঙ্গোল অমসুং ওদিশাদা লৈবা অপিকপা ইনভেষ্টর লিশিং কয়া অমদা মখোয়গী সেভিং অদু নমথাক তৌখিবগা মরী লৈননা ৱাথোক ওইরকখিবনি।

# 'জয়েন্তি নতরাঞ্জন্দা ইনভাইরোনমেন্ট, অধিবাসিশিং কন্নবা ৱাফম থমখি'

ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারি ০৪ ঃ

হান্না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইরম্বা জয়েন্তি নতরাঞ্জনা শিরকখিবা মরালশিং অদুগী মতাংদা তুমিন্না লৈরম্বা অদু থুগাইরদুনা কোঙ্গ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিনা ঙসি ফোঙদোকখিবা অমদা মহাক্কী মাইকৈদগীদি ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং অধিবাসিশিংবু কন্ননবা ৱাফম অমা হান্নগী কিলগ অসিদা খঙহনখিবনি হায়খি।

দেল্লিদা পাঙথোকখিবা মীখলগা মরী লৈনবা মিটিং অমদা ৱা ঙাংলদুনা, কোঙ্গ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদি, ঐহাক্না খুদোংচাবা ফংদ্রবা মীওইশিংগীদমক্তা কন্না থেংনদুনা লাকখিবনি অমসুং অকিবা অমত্তা লৈতনা হায়রিবা থৌদাং অসি মখা তানা লৌখিগনি হায়খি।

নতরাঞ্জন্না কোঙ্গ্রেস পার্টিগী প্রাইমারি মেম্বরসিপ্তগী পোত্থারগনি হায়না লাউথোকখিবা অমসুং কোঙ্গ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্টনা মহাক্না মিনিষ্টর ওইরিঙৈ মনুংদা ইনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্ট্রিদা খুৎ থিংজিল্লি হায়না মরাল শিরকখ্রবা মতুং চয়োল অমা লৈরগা রাহুল গান্ধিনা রিএক্ট তৌদুনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

হান্না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইরম্বা জয়েন্তি নতরাঞ্জন্না কোঙ্গ্রেস পার্টিদগী তোক্লগা বি জে পিদা য়াওখি। মহাক্না চহী ৩০ চুপ্না কোঙ্গ্রেস পার্টিগা লোয়নদুনা লাকখ্রে অমসুং পার্টি অসিগীদমক্তা চহী ১০ চুপ্না ৱাঙাংলোই ওইনসু থবক তৌরকখ্রে হায়না নতরাঞ্জন্না ফোঙদোকখিবা লৈখি।

# টাইৱান কেপিটেলগী তুরেলদা এসিয়া এয়র ৱেজ প্লেন কায়খিবা থৌদোক্তা মীওই ২৪ পুন্সি লোইখ্রে



টাইপৈ, ফেব্রুৱারি ০৪ ঃ

ঙসি অথেংবা মতমদা টাইৱানগী কেপিটেলদা লৈবা তুরেল অমদা এসিয়া এয়র ৱেজ প্লেন অমা তাশিন্দুনা কায়খিবা থৌদোক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৫ শিখ্রে। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা রেস্ক্যুরশিংনা ক্রেন অমা শিজিন্নদুনা অতেক অকায় নংলবা প্লেনগী শরুকশিং অদু লৌখৎনবা থৌরাং পায়খৎখ্রে।

ফ্লাইট ২৩৫ অসি মীওই ৫৮ তোংলগা টাইপৈদগী পাইরকখিবনি। টাইপৈদগী প্লেন অসিনা হেক পাইখৎলকখ্রবা মতুং ইকুই কুইদনা খুদোংথিবা থৌদোক অসি থোকখিবনি। টাইৱানগী কেপিটেল টাইপৈগী মনুংদা লৈবা কীলুং তুরেলদা প্লেন অদু তাশিন্দুনা কায়খি।

ঙসি নুমিৎ লৈরিঙৈ মনুংদা অতেক অকায় মরক্তগী মীওই ১৫ গী অশিবা হকচাং চিংখৎপা ঙমখ্রে। নুমিৎ তারবা মতুংদা মখোয়না ক্রেন শিজিন্নখি অমসুং থৌদোক অসিদা মীশি মীনা নংবা অসি হেঙ্গৎলকখিবা য়াই হায়না থাজনরি।

ক্রুশিংনা প্লেন অদুগী অতেক অকায়শিং অদু ঈশিং মনুংদা লুপশিন্দুনা লৈখিবা অদুদা অশিবা হকচাং লৈরিব্রা হায়বদু থিজিন হুমজিনবগী থবক চত্থরি। লোকল মেদিয়ানা পীবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না পাইলোট অদুনা রেসিদেন্সল এরিয়াদা প্লেন অদু কায়হন্দনবা হোৎনবদা তুরেলগী লাইন অদুদা চপ চানা মাইওন পিখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না ফোঙদোক্লরকখি।

টাইৱানগী এভিএশন ওথোরিটিনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবগী ওইনদি প্লেন কায়খিবা অসিগী মতাংদা ফাইনেল ওইবা য়াবা ৱাফম অমত্তা লৈত্রি হায়খি।

টাইৱানিজ ব্রোদকাষ্টরশিংনা প্লেন অদুনা কন্ট্রোল টৱারগা অরোইবা ওইনা কন্তেক্ট তৌনখিবগী রেকোর্দিং অদু হন্না হন্না থাদোরকখি। পাইলোট অদুনা 'মেদে' হায়বা ৱাফম অহুন্নক থন্নকখি।

রেকোর্দিং অদুনা করিগীদমক্তা প্লেন অদু খুদোংথিবা মায়োক্নখিবনো হায়বগী মতাংদা হকথেংনবা মরম অমত্তা পিরকপা লৈতে। ফ্রান্স অমসুং ইটালিনা কোলাবোরেট তৌরগা শাবা এ টি আর ৭০ হায়না খঙনবা প্লেন অমসু হৌখিবা চহীগী মনুংদা কায়খিবগী থৌদোক লৈখ্রে।

ঙসি প্লেন অদুনা অয়ুক পুং ১১.৫৩ তাবা মতমদা টাইপৈ দাউন টাউন শুংশান এয়রপোর্টতগী পাইখৎলগা টাইৱান্না কন্ত্রোল তৌদুনা লৈবা কিনমেন আইলেন্দ তম্না লাকখিবনি। পাইলোট অদুনা প্লেন অদুনা হেক পাইখৎখ্রবা মতুং ইকুই কুইদনা 'মেদে' হায়বা কোল ইশ্যু তৌরকখি হায়না টাইৱানিজ সিভিল এভিএশন ওথোরিটিনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

ত্রান্স এসিয়াগী দাইরেক্টর পিটর চেননা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না প্লেন অদুগা কন্তেক্ট তৌনবগী ফিভম অসি হেক পাইখৎখ্রবা মতুং মিনিট ৪ গী মনুংদা মাঙখি। ঈশিং নুংশিৎকী ফিভমনা মরম ওইরগা প্লেন পাইবা হায়বসি চুনহনগদবনি অমসুং এক্সিদেন্ট অদু মতৌ করম্না থোকখিবনো হায়বগী মতাংদা খঙবা লৈত্রি হায়খি।

থাঙ্গেশেংনা হায়রবদা এয়রক্রাফ্ট অদু এক্সিদেন্ট অমা ওইনা থোকখিবনি হায়না মহাক্না ন্যুজ কনফরেন্স অমদা মখা তানা হায়খি।

প্লেন অদুদা তোংখিবা পেসেঞ্জরশিংগী মনুংদা চাইনাদগী মীওই ৩১ য়াওখি হায়না টাইৱান টুরিজমগী ব্যুরোনা ফোঙদোরকখি।

কিনমেনগী এয়রপোর্ট অসি টাইপৈ অমসুং চাইনাগী ফিজিয়ান প্রোভিন্স অনীগী মরক্তা লৈবা কম্মন ওইবা লিঙ্ক অমনি। টাইৱানগী সিভিল এরোনোটিক্স এদমিনিষ্ট্রেশন্না ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না মীওই ২৩ দি থৌদোক অসি শিখ্রে হায়বা চপ চানা কনফার্ম তৌবা ঙম্লে, অতোপ্পা মীওই ১৫ না অশোক অপন নংবদগী কনবা ঙমখ্রে অমসুং অতৈ অতোপ্পা মীওই ২০ হৌজক ফাওবা থিফম খঙদনা লৈরি হায়খি।

# পাইলোট লৈখিদবগা মরী লৈননা জোর্দান্না ইরাকি মিলিটেন্ট ২ পাং তিংলগা হাৎখ্রে



অমান, ফেব্রুৱারি ০৪ ঃ

ইস্লামিক ষ্টেটনা থাদোরকখিবা ভিদিও অমদা ফাজিন্দুনা থমখিবা জোর্দানিয়ন পাইলোট অমা শারং মনুংদা হিংনা মৈ থারগা হাৎখিবা অদুগী পাউখুম পীবা অমা ওইনা ঙসি জোর্দানগী নুপী অমা য়াওনা ইরাকি জিহাদিষ্ট অনী পাং তিংলগা হাৎখ্রে।

ইস্লামিক ষ্টেট হায়রিবা হার্দ-লাইন গ্রুপ অসিনা জপনিজ হোষ্টেজ অমা খুৎশিন্নবগীদমক্তা সজিদা অল-রিসাৱি কৌবী নুপী অমা থাদোরক্লবা দিমান্দ তৌখি। মমৈথংদা জপনিজ হোষ্টেজ অদু মঙকশম লেল্লগা হাৎখি। কুমজা ২০০৫ দা অমানদা সুইসাইদ বোম এটেক চত্থখিবদা মহাক্কী রোল য়াওই হায়বগীদমক্তা শিবগী দন্দি মায়োক্লদুনা লৈরিবী রিসাৱি ঙসি নুমিৎ থোক্ত্রিঙৈ মনুংদা পাং তিংলগা হাৎখ্রে হায়না সিক্যুরিটি সোর্স অমসুং ষ্টেট টেলিভিজনগী রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্লি।

য়ু এসনা লমজিংদুনা ইস্লামিক ষ্টেটকী মায়োক্তা চত্থরিবা ওফেন্সিবকী শরুক অমা ওইনা য়াওরিবা জোর্দান্না পাইলোট হাৎখিবা অদুগীদমক্তা চপ চাবা পাউখুম পীগনি হায়বগী ৱাশক থমখিবনি।

পনবা য়াবদি, মুঅট অল-কসাবেহ কৌবা পাইলোট অদু মহাক্না থৌখিবা এফ-১৬ ৱার প্লেন অদু সিরিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা কায়খিবা থৌদোক্তা ফাখিবনি। থৌদোক অসি চহী অদুমক্কী দিসেম্বর থাদা থোকখিবনি।

জোর্দান্না অল-কাইদাগী সেনিয়র ওইবা প্রিজিনর, জিহাদ কার্বোলি কৌবা ইরাকি মীওই অমসু পাং তিংলগা হাৎখ্রে। মহাক কুমজা ২০০৮ দা শিবগী দন্দি পিননবা রাই পিখিবনি।

লৈবাক অদুগী হাসেমিতে মোর্নাকি শৌগৎপা কাংবুগী য়াংলেনগী শরু ওইরিবা য়াম্না চাউবা ত্রাইব অমগী মেম্বর ওইরিবা কসাবেহগী মরাইবক অদু চয়োল কয়া চুপ্না তম্বা ঙমদনা লৈরকখিবনি।

জোর্দানিয়ন খরনা নিংথৌ অবদুলানা য়ু এসনা লমজিংদুনা চত্থরিবা লালদা শরুক য়াবগীদমক্তা মহাকপু ক্রিটিসাইজ তৌবা ৱাফম ফোঙদোরকখি।

নিংথৌ অবদুলানা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা য়ু এসতা চৎখিবা খোঙচৎ অদু থৌদোক অসিনা মরম ওইদুনা তেনশিলহনখি। টেলিভিজন্দা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা মহাক্না নেশনেল য়ুনিটি লৈহন্নবা মীয়ামদা তকশিনখিবগা লোয়ননা অসিগুম্বা মীহাৎ অসি ক্রিমিনেল গ্রুপনা চত্থরকপা টেররগী ওইবা পাংদবগী থৌওংনি হায়খি।

থৌদোক অসি ইস্লামগা মরী অমত্তা লৈনদে হায়বা ৱাফমসু মহাক্না থমখি। মিদল ইষ্টতা লৈরিবা মুসলিম ক্লেরিকশিংনা জিহাদিশকী ওইবা ৱাফমদা মীনুংশি উৎলিবা মীওইশিং অদুবু খোইশাওনবা ফোঙদোকপা ৱাফম থন্নকখি। অসিগুম্বা মখলগী মীহাৎ অসি ইস্লামনা য়াফম থোক্তবনি হায়না খনগদবনি হায়খি।

পাইলোট অদু মীহাৎ থিনা হাৎখিবা অসিগীদমক্তা জোর্দান্দা পাক শন্না অৱাবা অমসুং খোইশাওনবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা ইন্টরনেশনেলগী ওইবা কন্দেম তৌবগী ৱাফম কয়া অমসু থম্নরকখি।

কাসাবেহ হায়রিবা পাইলোট অসিগী অপোকপা মপানা ফোঙদোরকখিবদা মীওই অনী পাং তিংলগা হাৎখিবা অসিনা মতিক চাবা হায়বদু ওইদ্রি হায়খিবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্টদা মহাক লৈখিদবগীদমক্তা লমন খুম্নবা অহেনবা থবক পায়খৎনবা তকশিনখি।

ষ্টেটকী মাইকৈদগী মহাক্কী মচানুপাগী মশাদগী তাখিবা ঈ অদুগীদমক্তা লমন খুম্বা পাম্মী হায়বগী ৱাফমসু মহাক্না থমখি। অসিগুম্বা ক্রিমিনেল গ্রুপশিংগী মতুং ইল্লিবা কয়া পাং তিংলগা হাৎকদবনি হায়বগী ৱাফম থমখি।

জোর্দানিয়নশিংনা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা দিমান্দ তৌরিবদি, ষ্টেট অমসুং কোলিশনগী মাইকৈদগী অসিগুম্বা ক্রিমিনেলশিং লোইশিনখিনবগীদমক্তা হেন্না অৱা অনা নংহনবা শাফু অমগা লোয়ননা লমন খুমগদবনি হায়খি।

জোর্দানিয়ন আর্মিগী মাইকৈদগীসু পাইলোট হাৎখিবা অসিগী লমন খুমগনি হায়বগী ৱাশক থমখি অমসুং এনালিষ্ট খরনদি ইস্লামিক ষ্টেটকী মায়োক্তা চত্থরিবা কেম্পেইন অসিদা য়াওশিনবা হায়বসিনা পাকশন্দোকপগী থৌওং অমা লৈরকপা য়াই হায়বগী থাজবা থন্নকখি। পনবা য়াই, ইস্লামিক ষ্টেটনা ইরাক অমসুং সিরিয়াগী পাক চাউরবা মফম কয়া হৌজিক হৌজিক খুদুম চনশিন্দুনা লৈরিবনি।

THE HIGH COURT OF MANIPUR
AT IMPHAL
ꯑꯣꯏꯗꯒꯤ/ADVERTISEMENT
*Imphal,, the 31st January, 2015*

No. HCM/A-04/2015-Estt.(SJ)/23090 Applications are invited for filling up the following posts (which may increase) in Subordinate Courts of Manipur under "The Manipur State District Court Service Rules, 2014

| Sl. No. | Name of Post | No. Of Vacancies | Pay Scale |
|---|---|---|---|
| 1. | Peon | 15 | 4440-7440+Grade Pay 1300/- P.M. |
| 2. | Chowkidar | 1 | 4440-7440+Grade Pay 1300/- P.M. |

Details along with application form are available in the High Court website -***http://hcmimphal.nic.in.***
Last date of submission of application form is on the **26th February, 2015.**

**Sd/- N. ROJIT SINGH**
JOINT REGISTRAR (ADMN./PM & P)
HIGH COURT OF MANIPUR

HL-B/2235/3&5

I.P.S. CANCHIPUR
THE IMPHAL PUBLIC HR. SEC. SCHOOL
(Govt. Recognised and Affiliated to BOSEM & COHSEM)
ADMISSION IS GOING ON FOR 2015
FROM PRE - NURSERY TO IX
(BOTH SCHOOL AND BOARDING)
Awarded for Best School & Best Principal

IMPORTANT NEW SCHEDULE :
- 4th Feb. 2015 (Commencing of new Academic Session from Classes VI-X)
- 5th Feb., 2015 (Commencing of new Academic Session from Pre-Nursery - V)
- All the old and new boarders should report on 1st Feb., 2015 at 10.30 A.m
- 2nd Feb., 2015 (Commencing of Private Tuition (F/C) for all the classes for all the Subjects for the Boarding.)

No. 1 School & Boarding in Manipur with Education 360°
Lowest Admission & Tuition Fees with mega facilities
IPS - The Perfect Destination for Parents and Students

HL-B/2195/5/1-4/2

ꯍꯀꯆꯥꯡ/ লায়েংজরি (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থ্রক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থরক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং ভসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

(য়ু করম্না থাদোক্কনি)
য়ুনা এদিক্ট ওইদুনা অদোমগী ফেমিলিদা অৱাবা ওইরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবীয়ু

(গুপ্তা টুঠ পাৱদর (য়াগী হিদাক)
পাৱদর অসি শিজিনরগা অমদি য়া নাবা, ঈ থোকপা, য়ারি পোমখৎপা, য়া মুশিনবা নত্রগা হঙ্গামপাল কাশিনবা ফবা ঙম্মী অমদি য়া ঙৌনা অমসুং শেংনা লৈগনি। য়ারি নাই চাবা ফগনি।
* মমল লুপা ৪০ খক্তনি। হায়রিবা হিদাক অসি অদোম্না লৈবা অমসুং য়োনবীবা ঙমগনি নহাক্কী লোকেলিটিদা। য়া মখোং শেংনা থম্বা ঙমগনি। * কম্মিশনসু পীজগনি।

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Khuyathong, Imphal-795001

HL-B/2210/17/1-18/1




HL-B/2166/14/12-13/1